## এডিটোরিয়েল

# হেলিকোপ্টর সাভিস মায়পাকহন্সি

ইন্টরনেসনেল বাউন্দরিদা লৈবা চীংগী শরুক্না হেন্না পাক-চাওবা, লৈখা লম্বী নংত্তনা কম্যুনিকেসনগী অতৈ খুদোঙচাবা ফংদবা মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা অরাপ্পা অমসুং মনূং চংশিন্না লৈবা মফমগা কেপিটেল ইম্ফালগা চখোক-চৎশিনদা হেন্না খুদোঙ চানবা হেলিকোপ্টর সাভিস হৌদোক্লবা থৌরাং অমা পায়খৎলিবা অসি মায়পাকহনসি। ষ্টেট অসিগী ওইনা হেলিকোপ্টর সাভিস থন্নবা চহি খরগী মমাংদা হৌদোকখিবসু লৈখ্রবনি অদুবু থবক ওইনা চপ চানা পাংথোকপা ঙমদনা লৈরকখিবনি। লৈখা লম্বী নংত্তনা মপূং ওইবা কমুনিকেসনগী খুদোঙচাবা ফংদবা অসিনা শেমগৎ-শাগৎপা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী লমদা খুমাং চাউশিনবা ঙমদবদা নংত্তনা য়েলহৌঙৈদগী খূন্দা-লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ই-পাউ ফাউদোক্লবা অমদি তোয়না উন্নবা ৱাৎপনা ভাব তান্নদবা কয়া থোক্তুবসু নংত্তে। অদুনা তঙাই ফদনা হেলিকোপ্টর সার্ভিস অসি মায় পাক্লা পায়খৎপা ঙল্লবদি ঐখোয় মশেল তোয়না উন্নবা অমসুং অৱাৎ -অপা, অপেন-পেন্দ খংদোকপদা শোয়দনা মতেঙ ওইগনি।

অমরোমদা চীং লমগী মফম খরা নংত্তনা অয়াম্বদি লম্বী লৈরবসু চহি চুপ্পা চৎপা য়াদবা, ইঞ্জিন পানবা গারী শিজিন্নদুনা চৎথোক-চৎশিন অমসুং ললোল ইতিক্কী খুদোঙ চাবা ফংদবা কয়া লৈরিবনি। অকনবা চীংসু ওইদবনিনা লম্বী থোং নিংথিনা শেমজিনবা অমসুং শেল্লুরবসু কুইনা শিজিন্নবা য়াদবগী মওংসু থেঙনদবদি নংতে। সরকারনা তোঙান তোঙানবা স্কিম নংত্রগা প্রোজেক্টকী মখাদা সহরগী নংত্তবা খূঙ্গং অমসুং চীং লমগী লম্বী থোং শেমগৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু মদুগী চপ চাবা কান্নবা অদুদি ঙসি ফাউবা মনূং চংশিন্না লৈরিবা খূঞ্জাশিংনা ফংবা ঙমদ্রি। শন্না হায়রবদা লোন ফাউনদবা ফাউবা য়াউরি। অসিগুম্বা কয়া অসি কোকহন্নবা হোৎনদুনা ঐখোয় মশেল ৱারি ৱাতাই শান্নবগী খুদোঙ চাবা ফংলবদি অপূনবগী শক্তম হেন্না চেৎশিনহনবা ঙম্বদা নংত্তনা নুংশিনবগী মরীসু হেন্না চেৎশিনহনবা ঙমগনি। লম্বী থোং নিংথিনা শেমগৎপা হায়বসে চাউখৎ-থৌরাংগী খোঙজেল য়াংশিনবদা নংত্তনা ললোল-ইতিক তৌদুনা য়ূম্বাল লম্বীদা হেন্না মশক থোক্লা নূংঙাই - য়াইফবা হায়বা অদুসু ওইগদৌরিবনি। ঐখোয়গী লৈজরিবা পোখোকশিং য়েন্নদুনা চামিন্নবা, অরৈ -লৈতা তাথোক-তাশিন তৌনবা হায়বসি লম্বী থোংগী ফীভম ফৎত্রবা, ঐখোয় মশেল তোয়না উন্নদ্রবদি ওইথোকপদা ৱাগনি হায়বসিসু পূন্নমক্লা খংনরিবনি।

ষ্টেট সরকারনা রোর্দ ট্রান্সপোর্টতা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা চীংনূং-মানূং অমদি খূঙ্গং লমগা শন্নহন্নবা হোৎনরকপা অসিগা ইরোইননা নোংথক লম্বীদা পেসেঞ্জর সার্ভিস লৈহন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক অচৌবা শীংনবা অমদি অদুমক মায়োক্নগদৌরিবনি হায়বসিসু খংমিন্নবা তঙাইফদে। শীংনরকপা খুদিংমক মায়োক্নদুনা ঐখোয়গী য়াইফনবা হোৎনবা তাই। মসিদা অমগা অমগা মতেঙ পাংশিন্নবা তঙাই ফদে। চহি খরগী মতূংদদি রেল লম্বীনা চীং লমগী শরুক খরদি চখোক-চৎশিনদা খুদোংচাবা লৈরগনি অদুম ওইনমক খুদোং চাদবা খরসু অদুমক থেঙনরক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা মরী থমদুনা চেৎশিলহন্নবা হোৎনরবতদা থেঙনরক্কদবা অৱাবা খুদোঙ চাদবা কয়া অদো মায়োক্নবা ঙমগদৌরিবনি। ষ্টেট সরকারনা চীংদা চৎসি, খূঙ্গংদা চৎসি হায়বা মীশনগী মখাদা লৌখৎলিবা থৌরাংদা ঐখোয় মশেল নুংশি-চাননা লৈমিন্নদুনা অরৈ-লৈতা তাথোক-তাসিন তৌনবগী খুদোঙ চাবা অদুসু শোয়দনা লৈগনি লোয়ননা কম্যুনিকেসনগী এরিয়া অসিসু মীসন অসিনা কোনশিনবা তঙাই ফদবনি হায়না লৌই। অসিগীসু মথক্তা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট পেসেঞ্জর সাভিস অসিসু হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবা চুমগনি। অঙম অথৌ শেন পায়বা খর-খক্কী খুদোঙ চাবা ফংনবা হোৎনবদা শু -নোম্লগা হিংজরিবা খূঙ্গং অমদি চীংনূংদা লৈরিবা খূঞ্জাশিং নাথৈদুনা থম্বা য়ারোই। মখোয়গীদমক পায়খৎলবা য়াইফথৌরাং কয়াগী কান্নবা অদু ফংহনবা ঙন্নবা অমত্ত ঙাইরবা উপাইদি তোয়না উন্নবত্তনা ওইগনি মসিগীদমক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম ফগৎহনবা তাই, লম্বী -থোং ফহনবা তাই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# ৱাইশেল মরীলগী মরাইবক্লা কনাবু ঙাইরিবা

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

চোংথোকখিবা ঙা চাওই হায়বদুনি, তক্সি শোল্লগা তোকপা নত্তনা করিসু উপাই লৈতে। ইম্ফাল ময়োনগী উরিপোক, শগোলবন্দ কৈশামথোং, নাউরিয়া পাখঙলাকপা অমদি অতৈ কেন্দ্র কয়া ফাওদুনা লোক্তাক পাত্তা ঈতিল্লিবা ৱাইশেল মরিল অসিসু অদুমক কেন্দ্রশিং অসিদা লাই শাদুনা নিংশিং নিংশিং ঈচাওগী চৈথেং পীরগনি। ৱাইশেল মরিলগী মরালনত্তে, হনচক-ঙাচক শাবশিংনা মীরাইবীবনা য়াম্লবা কেন্দ্রশিগী প্রজানা ইচাওগী অৱাবা নঙলগদৌরিবনি। কৈসু লৈতবা ইম্ফাল ময়োলগী পিকখ্রবা "ৱাইশেল মরিল প্রোজেক্ট" অসিনা অহৌবদা অরোইবা ওইরিবসিমক অখঙ অহৈ শাবা, লুচিংবা হৈতবা লৈঙাক্তা তাইনবা নত্তনা কনাদা তায়নগনি।

ইং ২০১২ গী নভেম্বর থাদগী এন ই সি না য়াম্লবা শেলফম থাদদুনা হৌখিবা ৱাইশেল মরিল প্রোজেক্টকী প্রোগ্রেস রিপোর্ট অমদি য়ূতিলাইজেসন সার্টিফিকেৎ সরকারনা মতম চানা থাগৎপা ঙমদবদগী এন ই সি না মখা তাবা ফন্দ থাদবা লেপখ্রে হায়বসি প্রজা মীয়াম্না তুমিন্না লৈফম থোকপ্রা? কেন্দ্র ময়ামসিগী অৱাবা খঙবীদনা মথৌদা পুকচেল শেপ্পনা করিসু খংদ্রবা মীয়ামবু ঈচাউগী চৈথেং ফংহনবদা তুম্মিনা লৈসিরা? মাইকৈ অসোমগী প্রজা লাখ-লাখনা হক তানবদা মরিলৈনবশিংনা করি পাউখুম পীরক্কনি খঙনিংবনা প্রজা কয়াদি খোইরাং খোইশাওনরে। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবদা ফাগী-ফরাং তাহনবসিদি লেন্না থাফম থোক্তে। লাওথোকপীরকউ অরানবা তৌবশিং লেন্না থারোই হায়না। য়াম্না ইকাইনিঙাই ওইরিবনা ইন্দিয়াগী ওইনা সহর শেমগৎনবা খনগৎলকপদা ইম্ফাল সিটি য়াওখ্রবনি। রং খর তৈবা, ৱাই খর শিংপা, উ চার খরা থাবনা সহরগী মশক ওইহনবা য়াগদ্রা? য়াম্না কুপথনা সহরগী ওইবা মেজোর প্লান মখল মখল থবক ওইনা পাংথোক্লবা হোৎনবদা করিগীদমক সহরগী ময়োন মক্তদা কেন্দ্র কয়া ফাওদুনা চেল্লিবা ৱাইশেল মরীল নিংথিনা শেমদ্রিবনো? হেন্নসু তত্তনা মেডিয়াগী থোঙদা মরিল অসিনা ঈচাউ কয়া থোক্তুনা য়ূম কয়া অৱাবা তাহনখ্রবনি হায়নসু লাওখ্রবনি - ইনরকখ্রবনি। হায়ফম খঙদে মখোয় মখোয়গীদমক ইকাইবী। ৱাইশেল মরীন্না উবু উশিৎপিরম্লরোই। কৈকান্দবা ঙমসু ঙম্লোইদবদা হায়না নোক্নরমগনি।

অরানবা তৌরবদি দন্দি ফংনৈ। কনানা দন্দি ফংগনি। ৱাইশেল মরিন্দা তাইনবসু য়ারোই। মরিল অসিগী নাক য়েত্তা খুন্দারীবা প্রজাশিংদসু মরাল শীবা য়ারোই। ঈশিং চাওরে, ঈশিং থুম্রে, করন্না ফহনগনি খন্না পায়খৎখিবা "ৱাইশেল মরীল প্রোজেক্ট" না চপ লেপখ্রবদি তপ্না তপ্না মীয়ামগী খোল্লাও হৌরক্লনি। মীয়ামগী খোল্লাওদি ঈশ্বরমক্কী খোল্লওনি খঙজিনবসু তস্নীয়ু।

অদোমগী
বি সি খুমন
ইম্ফাল

# মৈতৈলোল চাওখৎলকপগী মশক

ডা. পোলেম নবচন্দ্র

মীওইবনা লৈরকপদগী লোলসু লৈরক্লে। মালেম অসিদা লোল লীশিং অহুমগী মথক্তা লৈবগী মনূংদা ভারত্তা ৮৭১ লৈ হায়না পানরি। অহোংবা হায়বসিনা মহৌশাগী মচৎ ওইবগুম্না মীরোল অমদগী অমদা চীম্হাং য়ৈনা লাক্লিবা লোলগী শক্তমসু তত্তনা হোংলকই। বিজ্ঞাননা খুমাঙ চাওশিল্লকপা, ঈ-পাউগী খোঙজেলনা হেঙ্গৎলকপা অমসুং মীওইবনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা লোলদা অহোংবা লাকপগী অমদি চাওখৎলকপগী চাংসু হেঙ্গৎলকই।

অখঙ-অহৈশিংগী মতূংইন্না মণিপুরী লোল অসি 'তিবেতো বর্মন' কাঙলূপ মনূংদা লৈবা 'কুকি চিন' লোলশিংগী মনূং চল্লি। 'তিবেতো বর্মন' অসিনা 'সিনো তিবেতান' হায়বা চাউরবা লোল কাঙলূপকী শরুক অমনি। ডা. গ্রিয়র্সননা 'ভোকেবুলরি' (ৱাহৈ পুকৈ) গী মতূং ইন্না কাঙলূপ খায়বসি য়ানীংদবা উৎলদুনা মৈতৈলোলবু 'কুকি চিন' কাঙলূপকী মনূং চন্না থম্লবসু মহাক্না 'লিঙ্গুইষ্টিক সর্ভে ওব ইণ্ডিয়া' (ভোল্যুম ৩, পার্ট ৩) দা লমদমসিগী লোল ওইরিবা মৈতৈলোলনা লোলসিবু তোঙানবা কাঙলূপ অমা ওইনা শেমগদবনি হায়রম্মি। মদুতসু নত্তনা কুকি চিনগী মহুত্তা 'মৈতৈ চিন' হায়বনা হেন্না চূনগনি হায়রম্মি। অদুগা, সুনীতিকুমার চেত্তর্জিনা হায়রম্লিবনা তিবেতো বর্মন লোলশিংগী মরক্তসু তশেংনা সাহিত্যদদি মৈতৈ নত্তগা মণিপুরী লোলনা নেৱারীদগীসু হেন্না মরু ওই হায়বসিনি।

মৈতৈলোল, খোলহায় খেন্নবগী মতূং ইন্না অর্থ খেন্নবা লোলনি। মরন্নাই অর্থ লৈবা ৱাহৈশিংনা পূনশিল্লগা অতোপ্পা ৱাহৈ শেম্বা য়াবা লোল ওইবনা ৱাহৈগী মশাজিন অমসুং তোঙান তোঙানবা মশাজিন ফোঙদোকপদা 'এফিক্স' শিংনা মরুওইবা থৌদাং পাঙথোকই। লোলসিগী অয়াম্বা ৱাহৈশিং সিলেবল (খোম্থোক) অমত্তগী রুটনা ওই। সিলেবল অনী নত্ত্রগা অনীদগী হেনবা রুটশিংদি খরতমক উবা ফংই।

থেংখাং কয়াদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়া পুনশিন্দুনা অপূনবা মৈতৈ জাতি শেম্লকখি। মসিগী মনূংদা য়াওরিবা লুৱাংশিং অসি খৃষ্টগী ১০ সুবা চহীচাগী চেংলৈ ইপান লাম্বুবগী মতূংদগীদি থোইদোক্লা তাখিদ্রে (চৈঃ কুঃ)। খুমনশিংনা ১৪ সুবা চহীচাগী মৈতৈ নিংথৌ কোংয়াম্বগী, অদুগা মোইরাংশিংনা ১৫ শুবা চহীচাগী মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী মতমদা মৈতৈ কাঙলূপ্তা তিনখি। মরম অদুনা মৈতৈলোল অসিদা লুৱাং, খুমন, মোইরাংনচিংবগী লোলশিং য়াওবগী খুদম ময়েক শেংনা উবা ফংই। লুৱাংনা থোংবু 'তিংবী', লম্বীবু 'মুংবী', য়েম্পাকপু 'ৱাইকৌ', লোংবু 'য়াম্বী' কৌরম্মী। খুমননা পাৎপু 'কোন', কংফালবু 'য়া' শঙ্গায়বু 'য়াকোন', নৌবু 'তাওথোক', থন্নাবু 'লাইর', লাইখনবু 'শরিক', শীংনাংবু 'নেম্বী' কৌরম্মী। মোইরাংনা কংফালবু 'কোং', ঈশিংবু 'লোকলৌ', শীংজঙবু 'হাইবী', ঙাখাবু 'ঙাতোই', ক্লাকপু 'শীংজা' কৌরম্মী। শেল্লোই লংমাইনা শিববু 'তোৎপা', হল্লকপবু 'তেরকপা', অথৌববু 'অয়াওবা', শমজিবু 'কাইনৌ', মৈবু 'য়াই', পূংবু 'খোং', লীরুংবু 'মক' হায়রগা খঙনরম্মি।

মৈতৈলোলগী ৱাহৈ পুকৈদা তিবেতো বর্মন কাঙলূপকী মনূংদা য়াওরিবা লোলশিংগা মান্নবা খরমখৈ উবা ফংই। তিবেতানদা মীৎপু 'মিগ' য়ূমবু 'খিরম', অনীবু 'নী', মঙাবু 'ঙা', মীবু 'মী', শিববু 'শি', চাববু 'চা' হায়। বর্মিজদসু মীৎপু 'মিয়েৎ', য়ূমবু 'ইম', অনীবু 'মিৎ', মঙাবু 'ঙা' হায়। মসিদসু নত্তনা অরিবা লাইরিকশিংদা য়াম্না তাঙনা ওইরবসু কবোশিংনা কৌরম্বা ৱাহৈশিংগী মরমদা পল্লম্বা থেংনৈ- "শেনবী মীকৌনা কবোনা তেংথানা ঈশিংবু 'নম'- ও কৌএ" (চীঙ্গোইরোল)। হৌখিবা তাঙ্কক কয়াদা মৈতৈলোলনা অতৈ লোলশিংদগী হেন্না মপুঙ ওইবা মথক থোংবা লোল ওইনা লাকপা থেংনরবসু অঙনবা মতমদগী লোল অমগা অমগগী পীথোক-পীশিন তৌনরকপগী থৌওঙশিং অদুদি অদুম্মক চখদুনা লাকখি হায়বা য়ায়।

ভারতকী মরু ওইবা লোল অয়াম্বা মান্নবা ফিভম অমদা হৌরকখি হায়বা য়ায়। হিন্দী অমসুং বাংলা, মিডল ইণ্ডিয়ন লোল নত্ত্রগা অপভ্রংশ (অমগা অমগা লোম্নৈদা ৱাহৈ লৌশিন্নবা)গী থাক্তগী নাম্থোরক্তুনা মশাগী মশক লেপচরকখি- বাংলানা ১০ শুবা চহীচাগী ময়ায় চল্লকপদা, অদুগা হিন্দীনা ১২ শুবা চহীচাদা। মৈতৈলোল কয়াম কুইরবগে হায়বগী মতাঙদা পি লেমেন অমসুং সুনীতিকুমার চেত্তর্জিনা তিবেতো বর্মন লোলগী মরমদা পীরিবা মতকী মতূং ইন্নদি ৭ শুবা চহীচাগী ওইনা তৌরি।

মৈতৈলোলনা চাওখৎলকপগী মশক অসি অইবা লাইরিকশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা চাউরাক্লা মরী থোক্লা থম্বা য়াই- ক) ১৭ শুবা চহীচাগী মমাঙ, খ) ১৭ শুবা চহীচা, গ) ১৮ অমসুং ১৯ শুবা চহীচা, অমদি ঘ) ২০ শুবা চহীচাদগী হৌজিক ফাওবা। চাউরাক্লা অহানবা তাঙ্কক অসিবু 'অঙনবা', অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাঙ্কক অসিবুনা 'ময়ায় ওইবা' অদুগা মরীসুবা তাঙ্কক অসিবুনা 'অনৌবা' হায়না খঙনবা য়াই।

হোংলক্লিবা লোল অমগী শক্লোনশিংবু খোঙ্গুল লীনবগীদমক্তা অরিবা লাইরিক, নূংদা-ধাতুদা-শেলয়েক্তা ইরম-হক্লম্বশিংদগী মতেঙ লৌই। মরম অদুনা মীওইবগী ৱাখলগী মঙাল তারিবা অইবা ৱারী লাইরিকশিংদা লোলগী শক্তম নীংথিনা উৎপনা মসিগী হোংলক্লিবা য়াওলবু নৈননবা অয়াম্বা শরুক্তি তঙাইফদনা অরিবা লাইরিকশিংদগী লীখুন ফংনবা হোৎনৈ। লোলগী অহোংবগা সাহিত্যগী অহোংবগা মতম অমত্তদা ওইদবা য়াই। অদুবু অনী অসিদি থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ।

মৈতৈনা অঙনবা মতমদা পোং (শান) শিংগা মরী লৈনরম্মী। ৮ শুবা চহীচাদা পোং নিংথৌগী মনাও শামলুংনা চহী ১০ অপোং ইংখোলদা লৈরম্মী। মৈদিংঙু কিয়াম্বগী (১৪৬৭-১৫০৮) মতমদা পোং নিংথৌ চৌফা খিখোম্বগা মরুপ শান্নদুনা মৈতৈ পূং য়ৈবগা পোংগী পেরে খোংবগা শিন্নখি। মসিদসু নত্তনা নিংথৌসিগী হাক্তক্তা বামোনশিংনা খুম্থোরক্তুনা লৈবাক অসিদা খুন্দাদুনা লৈখি। মৈতৈগী লৈঙাক পথাপকা মরী লৈননা শীজিন্নরম্বা ৱাহৈ 'পানা' অমসুং ১৮ শুবা চহীচা হৌরকপদা লোল অসিদা লাইশঙবু খঙনরিবা 'কিয়োং' নত্ত্রগা 'ফুরা' হায়বসি শানশিংগী ৱাহৈদগী চঙলকখি। মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতমদা অৱাদগী কিয়োং শাবা হৈবা থোরক্তুনা অনী লৈরম্মী। মথঙদা থোইদোক্লা শীংথাবা য়াবদি মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা লাইরিক থোকহন্দুনা চৎনহনখিবা অসিনি। হান্না চিম্থাংদা লৈরম্বা ৱারী শীংবুল, লাইৱা লাইশোলশিং ইশিন্দুনা থম্লকপা হৌরকপনা ময়াম অসিবু মাঙহন্দনা থন্নবগী অমসুং মীয়ামদা য়ৌহন্নবগী মায়কৈদা অচৌবা খোঙথাং অমনি। অইবগী চৎনবীনা চিম্থাংগী মীয়ামদা খঙহনবগী চৎনবী অদুগা খূৎশন্নবা চৎমিন্নরবসু হান্নগী চিম্থাংগী মীয়ামদা য়ৌহনবগী থৌওঙ অদুবু মহুৎ শিনবদি নত্তে। অদুবু মসিনা লোলগী, মরু ওইনা খোম্থোক্কী মশক লেপ্পদা খরমখৈ মতেঙ পাংলম্বা য়াই। মৈতৈগী অইবশিং অমদি নিংথৌ লোইশঙগী অখঙ-অহৈশিংনা লমদমসিগী লোলগী শক্লোন্দা অহোংবা পুরকপদা কদায়ফাওবা শরুক য়ারম্বগে হায়বদু নৈননীঙাই ওই। লোল নৈনবশিংগী মতূং ইন্নদি লোল অমসুং ইবা হায়বসি অমত্তা ওইনা উরবসু লোলবু অইবনা ইহোং হোংহনবা ঙমদে, লাইরিক ময়েক চৎলবা খুন্নাইদা লোলগী হোংবগী খোঙচৎ থুগনি হায়ৱা লৈতে। অইবগী শক্তমশিংগী ৱাংমদা লৈরিবা ঙাঙন-শানরিৱা লোলদি তত্তনা হোংই। ইবা হায়বসি মীওইবনা পাঙথোক্লিবা শীংথানবা য়াবা থবকশিংগী মনূংদা অমা ওইরবসু মসিনা মীয়াম্না ঙাঙলিবশিং অদুগী মশক লেপ্পগী মহুত্তা মতূং ইল্লি (হর্কোভিৎস)। পূন্নমক অসি হায়রুবগী মরমদি খাগেম্বগী মতমদা অইবা লাইরিক অমসুং সাহিত্য থোরকপনা লোলগী শক্তমদা কয়া য়াম্না ঈথিল পীবা ঙমখিবগে হায়বদুদা মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনবনি।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু, চাউরাক্লা ১৭ শুবা চহীচা য়ৌরকপদগী সমুদ্র, গরুড়, শুণ্য, হেরামনিক, গঙ্গা, কাতি, চোটানচিংবা ৱাহৈশিং মশক হোংনা অমসুং হোংদনা শীজিন্নবা হৌরক্লে। অদুমওইনমক মণিপুরদা ইণ্ডো-অরিয়ান লোলগী মরু ওইনা সংস্কৃত, বাংলাগী অকনবা ঈথিল চঙলকখিবদি মৈতৈশিংনা হিন্দু লাইনীং লৌরুবা মতূং চহীচা ১৮ শুবা হৌরকপদগীনি। মতমসিদা অনৌবা লাইনীংবু মীয়ামদা পান্নহন্নবা নিংথৌনা হিন্দুগী লাইনীং অমসুং পূন্সি মীৎয়েংগা মরী লৈনবা লাইনীং লাইরিকশিং ইথোকহনখি। অচৌবা চৎন-পরীংগী শাদোং ওইরিবা সংস্কৃত, লাইনীং লাইশোলগী অশেংবা লোল ওইনা বংলা লোলগী পনখৈ লান্দুনা হাইজিল্লকখি। মদুগী মহয় ওইনা মীরমগী লোলশিং অসিনা লৈবাকমচা তাবা অমসুং অৱাংবা থাক্কী লোলগী মশক লৌরকখি। করি অমুক হায়রুনি, মৈতৈলোলবু মাঙ-তাকহন্নবগীদমক ১৭৩২ দা লোল অসিদা ইবালাইরিকশিং মৈ থাদোকখি। অদুবু লমদমসিগী লৌশিং চাউবা মাইচৌশিংনা লাইরিকা খরদি মৈ চাকপা ঙমদনা পাইখি হায়না নাকোয়ননা ঈঙ্গিৎ তৌরম্মি। করিগীনো হায়ববু মীওইবগী লোলদি ৱাখল অমসুং থমোয়গীনি। ৱাখলগী পান্দা উৎলিবা শাফোংলবা মূর্তিনি। মরম অদুনা লোলগী হোংলক্লিবা শক্তমদি অইবা অমসুং নূংদা, ধাতুদা হক্লিবশিংদা নত্তে, মীওইবগী চীনবাম্থোঙদনি অমসুং পূক্নীংদনি হায়না হেনরি সেসিল ৱাইলনা হায়রম্মি।

সমাজগী মনূংদা হিংলিবা লোলগী মরায়বকসু লৈঙাক পথাপকী শক্তি, সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী হোংলক্লিবা মরিগা লোয়ননা অকা-অকুম নাইরম্মি। হৌজিক্কী মতমদা ইংরাজিনা ওইবগুম ভারতকী ময়ায় চনবা যুগতা অৱাং ভারতকী হিন্দু অমনা লৈবাক্কী ফমগীদমক পার্সিয়ান, শিক্ষাগীদমক সংস্কৃত, অমদি লমদুগী লোল অমা খঙবগী তঙাইফদবা লৈরম্মি। মহরাজ গরীবনিৱাজগী মিং অসিমক লায়রববু চানবিবা হায়নি, পার্সিয়ান লোলনি। নিংথৌগী মজা ইবুঙোশিংগী মিংদা শাহ (দগী) শাই হাপ্পসু চৎনরকখি। শ্যামশাই, চিংশাই, ভরত শাই, আনন্তশাই নচিংবা। ১৮ শুবা চহীচাগী অনিশুবা তম্বায়দা অহোমশিংগা অচেৎপা মরী লৈনখিবা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা আসামদগী হল্লক্লগা রাজখ্বা হায়বা অহোমশিংগী ফম অসি লৈবাক অসিদসু হাপখি। ইষ্ট ইণ্ডিয়া কম্পেনিগা ১৭৬২ দগী মণিপুরগা কুটনীতিগী মরী থন্নবা থৌরাং তৌখি। মদুগী মহয় ওইনা ইংরেজশিংগী ৱাহৈ চঙলক্লবগী লম্বী হাংখি। অশুম তৌনা ১৮ অমসুং ১৯ শুবা চহীচাদদি মৈতৈ লোলদা ইণ্ডো অরিয়ান লোলশিং, মরু ওইনা সংস্কৃতকী ৱাহৈশিং মশক হোংনা নত্ত্রগা হোংদনা চঙশিল্লকখি- অপরাধ, আনন্দ, চিন্তা, শিক্ষর, মহাপুরুষ, পুরান, সুমেরু, মুর্খ, মক্তি, যজ্ঞ অসিনচিংবা। ময়াম অসিগা লোয়ননা পার্সো-আরবিক অমসুং ইংরাজি ৱাহৈশিংসু চঙলকখি- ইংরেজ, ফিরিঙ্গি, জহাজ, চাকর, ফৌজ, নাগরা, নমুনা, দরবার, জবান, সাহেব, জিলা, কামান, তোপ, সলামী, সরদার, ফোটো, গারোদ, মেঞ্জর, কম্পানি, কর্নেল অসিনচিংবা।

মপান্দগী চঙলক্লিবা ৱাহৈশিং অসি মৈতৈ লোল অসিদা মশক হোংদোক্তুনা লৌশিল্লকপগী খুদমশিংসু মরাং কায়না ফংই। করিগুম্বদা মপান্দগী পুশিল্লকপদা লমদমসিগী নাক-য়েৎকা চাননা শেমদোকপসু থেংনৈ। ফোটো নম্ববু 'উনম তৌবা', জহাজবু 'মৈগী ৱাকয়ৈ', গদাবু 'থেঙ্গু', অগ্নিবু 'মৈরেমা', লক্ষ্মীবু 'ফৌয়াই লৈমা'গা মান্নহল্লি। হিন্দু লাইনীং অমসুং সংস্কৃতিগী চৈথেংদা মৈতৈলোলগী নুঙাইতবা ফিভম মায়োক্লবা তাখি। নিংথৌগী মরুম থূপ্পুনা লাইনীংগী চুপ্পি পায়রিবা ব্রাক্ষণশিংনা হিন্দু লাইনীংগী চৎনরোল শন্দোক্লবা অকনবা থবক কয়ামরুম পায়খৎহনখি। মৈতৈলোলদা শক শোনবদা মখল কয়াগী অথীংবা পীখি। মৈতৈলোলনা শক শোনবা য়াহনখিদবতা নত্তনা মদু তারগা মীত্তগী পি তানা কপ্লবদি অয়ূক নুংথিল শিরগা ক্লাক ওল্লি, নুমিদাং শিরগা মকু ওন্দুনা মকোই নুংওন চীংদা পাইশিল্লি অমদি নরক তাই হায়না কিহল্লি। মসিমক ধর্মগী মিংদা লোল অসিদা পীরকখিবা অকনবা চৈথেংনি অমসুং মৈতৈলোলবু হন্থনা য়েংখিবগী অয়ৌবী খুদন্নি হায়বা য়াই।

মতমনা পুরকক্লিবা শীংনবা কয়াসিগা লোয়ননা খুদোংচাবা কয়াসু লাকখিদবদি নত্তে। ভারতকী অচৌবা ঈচেলগা শক খঙনরুবদা মৈতৈলোলগী ৱাহৈগী পুক্নে হেন্না মরাঙ কায়হন্নবা অনৌবা মীৎয়েং অমদি পরিভাষা (টেক্নিকল ওইবা ৱাহৈ) কয়া ফোঙদোক্লবা মৈতৈলোলগী পংখৈ হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবতা নত্তনা লোলগী অনৌবা চাংয়েং তৌনবগী খুদোংচাবা ফংখি। বৃটিশকী মখা পোল্লবা মতূংদা আসামীজশিংগী মশাগী লোল স্কুলদা অমদি ৱায়েনশঙদা চৎনহনখিদে, বাংলা ওইনা শিনখি। অদুবু মণিপুরদদি বৃটিশকী মতমদসু মৈতৈলোলনা লৈবাক অসিগী ৱায়েল থৌদাগী লোল ওইখি।

লৈবাক অসিগী হৌখিবা মতমগী তাঙ্কক কয়াদা নাৎকী শক্তমদা হোংলক্লিবশিং অসি নৈনরবা মতূংদা মৈতৈলোলগী হোংলক্লিবা শক্তম অসি অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই- ১) খোম্থোক, ২) ৱাহৈ অমসুং ৱাহৈ পরেং, অমদি ৩) অর্থদা হোংবা।

১) খোম্থোক হোংবাঃ

লোল নৈনবশিংগী মতূংইন্না অঙনবা মতমদা মৈতৈলোলদা স্বরগী খোম্থোক তরুক- অ, আ, ই, উ, এ, ও, অমদি ব্যঞ্জনগী খোম্থোক তরামঙা- ক, খ, ঙ, ছ, ম, ত, থ, ন, প, ফ, ল, স, য়, ৱ, হ, লৈরম্মি। মতূংদা ৱাহৈগী ময়ায়দা- গ, ব, দ, জ, র, ন, ক, প, ত, চ, ল গী মহুৎশিন্দুনা চঙলকখি। হায়পা (দগী) হায়বা, লাইলিক (তগী) লাইরিক, হায়চপা (দগী) হায়জবা, য়েংকনি (দগী) য়েংগনি, অতুনা (দগী) অদুনা, অসিনচিংবা। অদুগা ধ, ভ, ঘ নচিংবা খোম্থোকশিংসু মতমগী মতূংইন্না তোয়না নত্তবসু মৈতৈলোলদা শীজিন্নরকখি।

মহারাজ জয়সিংহগী হাক্তঃত্তা শ্রীগোবিন্দজিদা কৎনবা রাসকী পূংলোন অমসুং ঈশৈ ইরকপদা মৈতৈ ময়েক্লা সংস্কৃতকী মুক্তাক্ষর (ময়েক তপশীন্নবা) য়াওবা ৱাহৈশিং ইবদা মৈতৈ ময়েক্তা য়াওদবা ময়েক কয়ামরুম শীজিন্নখি। মদুদা মৈতৈ ময়েক্কী যুক্তাক্ষর পুথোক্লম্মি। অদুগা ময়েকসু হাপকৎলম্মি (চন্দ্রসিং, ১৯৬৩)। ময়েক তপশিন্নবা অমদি ময়েক মশিঙ হাপকৎলকপগা লোয়ননা মৈতৈলোলগী খোম্থোক্তা অহোংবা লাক্লম্বা য়াই।

২) ৱাহৈ অমসুং ৱাহৈ পরেংগী মশক হোংবাঃ

অরিবা ইরম্বশিংদা চুন্না ঙাঙনরিবসিদগী খেন্নবা অশাংবা ৱাহৈ ৱাতা তোয়না শীজিন্নবা থেংনৈ। শেংনা খঙহন্নবা নত্ত্রগা ফজহন্নবগীদমক ৱাহৈ পরেংশিংদা অর্থ মান্নবা ৱাহৈ পুংবা নত্ত্রগা মসিদগী হেনবা ৱাহৈশিং তত্তনা শীজিন্নৈ- কোরৌ নুমীৎ, কোংয়াং ৱা, তাউজিং হৈ, খাম্বী মৈ, তাম্র কোরি, অসিনচিংবা। মরম অসিনা খ্বায়না চুন্না ঙাঙন-শকুরিবা লোল অমদি অশৈবশিংগী সাহিত্যগী ওইবা লোল অনি থোক্লা চৎনরম্মি হায়বসি খঙবা ঙম্মি।

লোল হায়বসি মীয়ামগী ওইবা ললনি। মীয়ামনা খঙনবা শীজিন্নবদা খূৎলোইনবা লোলগী চাওখৎলকপগী য়াওলদি লুরম্বদগী লায়থোরকই। ৱাহৈ পরেংগী মশাজিন্দা না-পু তাবা মপূঙ মরৈ ফাবা হেল্লকই। শাংনা ফাদোক-শান্দোক্লম্বদগী মশা তাশীল্লকপা অমসুং ময়েক শেংলকপা হেল্লকই, ৱাহৈ পরেংগী ৱাখল ফোঙদোকপদা হেন্না মওঙ তারকই। সাহিত্যগী লোলশিংদি অরুবা, তাংথক নাইবা, শাংথ-লেংথবা মওঙদা মীয়াম্না ঙাঙনরিবা লোলদগী ৱাহৈ খল্লগা হেন্না মচা তানা চন্না ফোঙদোকই।

অরিবা মৈতৈলোলগী ৱাহৈশিংদা নাউন অমসুং ভর্ব পূনশীন্নদুনা নত্ত্রগা এফিক্সশিংগী মতেঙনা অশাংবা ভর্বেল ফোর্মশিং শেম্লম্বা থেঙনৈ। খুদম ওইনা- তাবা, খুম্বা, য়াবা, পাউখুম্বা, হোইয়াবা, থৌখাম্বা, অসিনচিংবা। করিগুম্বদা ঙাম, নত্ত্রগা ঙম, হাচিন্দুনা শাংদোকহল্লম্বা থেংনৈ। পাউহংঙে, লনকুবিরে, কদৌবগী, পৈবা, ওইরে, শিরে, ৱাকনলে, হায়বগী মহুত্তা পাউহংঙাম্লে, লনকুবিঙাম্লে, কদৌঙাম্বগী, পৈঙম্বা, ওইঙাম্লে, শিঙমলে, ৱাকনঙামলে হায়না ইনরম্মি। করিগুম্বদা 'শান' অমসুং 'ৱাই' হায়বসি হাপচিন্দুনা শাংদোকহল্লম্বসু থেঙনৈ। খঙবা, শেম্বা, থুপ্পা, হনবা, থুংবা হাবগী মহুত্তা শানখঙবা, শানশেম্বা, শানথুপ্পা, হনৱাইবা, ৱাইথুংবা নচিংবা হায়রম্মি। করিগুম্বদনা- 'ঙাই' হায়বসি হাপচিন্দুনা- লোইননা, নোক্লবা, হায়বগী মহুত্তা- ঙাইরোইনবা, ঙাইনোক্লবা হায়না ইরম্মি। লোইনবনিনা, খোংববু, ওইবনিনা, হায়বসি য়াম্না শাংদোক্লা- চৈরোইনবনিকিনা, খোংখৈঙম্ববু, ওইবনিকিনা, অশুন্না হায়রিম্মি। হনখ্রগা, চারদুনা (চারগা), তৌগুম্বসুং, ঐসু অমসুং কিগনো হায়বগী মহুত্তা- হনখিরবগা, চারগা, তৌইগীদি (তৌইগুম), ঐসু অমসুং কিগুনো হায়রম্মি। য়ানীংবা ফোঙদোকপা 'হোয়' হায়বা ৱাহৈগী মহুত্তা 'হোয়তা' হায়রম্মি। 'কৌয়ে' হায়বা ভর্বকী মহুত্তা 'ও-কৌএ' নত্ত্রগা 'ও-তৌনা কৌয়ে' হায়রম্মি।

মৈতৈলোলগী শক্তমদা অহোংবা লৈরবসু, ৱাহৈগী পুকৈদা মপানগী ৱাহৈ কয়া চঙশীল্লবসু, অদুগা অনৌবা খোম্থোক কয়া হাপচিল্লবসু, মসিগী অচেৎপা য়ূম্ফম ওইরিবা মরুওইনা ঙাঙনরিবা লোলগী ৱাহৈ পরেংগী মথঙ মনাওদা সবজেক্ট, ওবজেক্ট, ভর্বকী পরীং অদুদি থোইনা হোংবা লৈত্রি হায়বা য়াই। অদুম ওইনমক, অরিবা লোলগী কোইথোকপা শাংদোকপা লৌশীনবদা ৱাবা অদুদি মতমগী মতূং ইন্না ময়েক শেংবা হেল্লকই।

লোল হায়বসি অমরোমদা সমাজ, সংস্কৃতি অমসুং মফম মতমগী ওইবা শক্লোন অমনি হায়বা য়াই। হোংলক্লিবা মীয়ামগী পূন্সি মীৎয়েং, নাক য়েৎকী হোংলক্লিবা ফিভমগী মমি, লোলগী শক্লোনদা তারি। মরম অদুনা লমদম অসিগী মরুওইবা লমশিংগী মমিং ওম্থোরকপা থেংনৈ- লাংথবানবু কাঞ্চিপুর, লম্মাংদোংবু বিষ্ণুপুর। লমদম অসিদা মতমগী ওইনা মপান্দগী চঙলকখিবা হিন্দু অমসুং মুসলিমনচিংবা মীওইশিং জাতি অসিগী পূন্সি ঈচেলদা তিনশিনখি। মসিনা মৈতৈলোলগী খোম্থোক্তা হোংলক্লবগী, অনৌবা ৱাহৈ কয়া থোরক্লবগী অমসুং লৌশীন্নবগী তঙাইফদবা ফিভম অমা থোরকহল্লি। পূন্না লৈমিন্নবদগী লোল অমদগী হেন্না ঙাঙনবদগী অমসুং মতৌ তন্নবদগী মৈতৈ লোলগী শক্লোন হোংলকপদা অচৌবা মতেঙ পাংলম্বা য়াই।

৩) অর্থনা হোংলকপাঃ

মৈতৈলোলগী শক্লোন্দা হোংলকপসি মপান্দগী হায়বদি ৱাহৈগী পুকৈদা অতোপ্পা মীরমগী ৱাহৈ হাপচিল্লকপদগী নত্ত্রগা মনূংদগী লমদমসিগী ওইবা লোল অসিগী মনূংদগী হোংলক্লিবা মওঙ অসি অহুম থোক্লা থম্বা য়াই- ক) হান্না চৎনরম্বা অর্থদগী পীকশীল্লকপা, খ) হান্নদগী চাউথোরকপা অমসুং গ) হান্নগী নত্তবা অতোপ্পা অর্থ অমা খঙনরকপা।

ক) হান্ন চৎনরম্বা অর্থদগী পীকশীল্লকপাঃ

অরিবা ৱাহৈদা 'ইমোম' হায়রগা- মচানূপী, মচে, মচন, অহুম্মকপু খঙনরম্মি। অদুবু মমৈথঙদদি 'মচানূপী' খক্তবু খঙনরকখি। অহানবদা 'লান' হায়রগা লানবু, লানফাবু নত্ত্রগা হাৎলবা য়েক্লববু খঙনরম্মি, কোন্নদি হৌজিক খঙনরিবা লানগী অর্থ অসিতা ওইনা খঙনরকখি।

খ) হান্নদগী চাউথোরকপাঃ

গরিবনিৱাজগী মতমদা নিংথৌগী মনাওশিংবু 'ইবুংঙো' অদুগা নূপীশিংবু 'ইবেম্মা' হায়রগা খঙনরম্মি। 'তম্পাকলৈমা' হায়রগা যুবরাজগী মনাও ইবেম্মবু খঙনবা মিংগৌ ওইরম্মি। অদুবু 'ইবুংঙো', 'ইবেম্মা', 'তম্পাকলৈমা', 'তম্ফাসনা' নচিংবা নিংথৌকোনগীতা ওইদুনা লৈরম্বা মিংগৌশিং অসি মতমগী মতূং ইন্না মীচমশিংগী মরক্তসু কৌনরকখি।

গ) হান্নগী নত্তবা অতোপ্পা অর্থ অমা খঙনরকপাঃ

মমাঙঙৈদা 'মপন' হায়রগা 'মমা' অমসুং 'মপা'বু খঙনরম্মি, মমৈদদি মপাগী ময়াম্বতবু খঙনরকখি। 'মরুম্বী' হায়রগা য়ূমগী নুপী তালোইবু খঙনরম্মি, অদুবু কোন্নথঙদা ৱাহৈ অসিনা পীরল্লিবা অর্থদি 'লোন্না থম্বা নূপা-নুপী'বু খঙনরকখি।

মতৌ অশুন্না মৈতৈলোলনা, হৌখিবা ইতিহাসকী অকনবা চৈথেং কয়াবু মায়রোং য়াদুনা লাকখিবা জাতি অসিগী ৱাখল লৌশিং অমসুং চাওখৎপগী হোংলক্লিবা মশক উৎনবা অথোইবা পাম্বৈ ওইদুনা লাকখি। মৈতৈগী চৎনরোলগা ভারতকী অচৌবা চৎনরোলগা কন্না মুক্নরকখিবগী অমসুং লৈতারবা মওঙদা পুন্না লৈমিন্নরকখিবগী মশকশিং অদু লমদম অসিগী লোলদা নীংথিনা মমি তারি। মতমগী মতূং ইন্না চঙলকখিবা লোল অমসুং সংস্কৃতিগী ঈচেল কয়াসু লোল অসিনা তপ্না তপ্না চুপশীনলকখি। মসিনা লোল অসিদা অনৌবা ঈনোৎ হাপ্পুনা মতীং লৈনা অমসুং ইনাক খুন্না হিংহনবদা অচৌবা মতেঙ ওইরকখি।

কর্টেসিঃ সনথোঙ